# সেদ্যুল কাষ্ট লুপ ৩৫ গী ভারত বন্দনা এম পি, য়ু পি, বিহার, রাজস্থান, মহারাষ্ট্রদা চাওনা শোকহনখ্রে




***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ৬ ঃ***

জুলাই থাদা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবা সেদ্যুল কাষ্টস এন্দ সেদ্যুল ত্রাইবস (প্রিভেন্সন ওফ এত্রোসিটিজ) এক্ট নৎত্রগা এস সি। এস টি এক্ট এমেন্দমেন্ট তৌবগী মায়োক্তা সেদ্যুল কাষ্ট লুপ ৩৫ না ঙসি ভারত বন্দ কৌখ্রে। বন্দ অসিনা ষ্টেট কয়ামরুমদা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীখ্রে।

এক্ট অসিনা থৌশাবিদ্রবা কম্যুনিটিশিংবু তুহৎপীবা অমসুং মীওৎ–মীনৈ চথবদগী ঙাকথোকই। মার্চ ২০ দা এক্ট অসিবু অরানবা মওংদা শীজিন্নবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি অমসুং লো অসিগী মখাদা এক্যুজ ওইবা অমবু মশানা তানা ফাবগী মায়োক্তা রাই পীখি লোয়ননা এন্টিসিপেতরি বেলগী প্রোভিজন হাপচিনখি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি এক্ট অসিগী মখাদা এক্যুজ অমবু ফাবা মেন্দেতরি নত্তে অমসুং মাঙজৌননা ইনক্বারি চথরবা অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিজনা অয়াবা পীরবা মতম খক্তদা থবক অদু লৌখৎকদবনি হায়বনি।

পব্লিক সাভেন্সশিংবু এপোইন্টিং ওথোরিটি অদুগী অয়াবা য়াওদনা প্রোজিক্যুট তৌবা য়ারোই অদুগা সিটিজনশিংবুসু লো অসিগী মখাদা ইনক্বারি অমা চথরগা মতূং খক্তদা ফাগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা রুলিং পীখি।

ঙসিগী প্রোটেষ্ট অসি হায়রিবা এমেন্দমেন্ট অসিগী মায়োক্তা চথরকপনি। মধ্য প্রদেশ, বিহার, রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্রগী শরুকশিংদা ভারত বন্দগী শাফু অদু ফংখি।

মধ্য প্রদেশতা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকহনখি। দুকানশিং অমসুং লল্লোন ঈতিক্কী মফমশিং থোঙ লোন্দুনা লৈখি। গারী চথোক–চৎশিন্দা অকায়বা থোকখি। ভোপালদা পেত্রোল পম্পশিং হাংখিদে। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৩৫ দা হায় এলার্ট লাওথোকখি। সেক্যুরিটি ফোর্সকী কম্পনি ৩৪ অমসুং পার্সোনেল ৫,০০০ দিপ্লোই তৌখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিং দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদা চাইথোক্তুনা ঙাক–শেনহনখি। হৌজিক ফাওবদি শান্তি ওইরি হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

ছাত্তরপুর, শিবপুরি, ভিন্দ, অশোকনগর, গুনা, গ্বালিয়র অমসুং কাতনিনচিংবা মধ্য প্রদেশকী ষ্টেট কয়ামরুমদা ওথোরিটিজনা সি আর পি সি গী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমখি।

গ্বালিয়রদদি ফিভম অদু শেন্ননবা দ্রোনশিং ফাওবা শীজিন্নখি।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা মধ্য প্রদেশকী গ্বালিয়র–চম্বল রিজনদা সেদ্যুল কাষ্ট গ্রুপশিংনা কৌখিবা ভারত বন্দ মনুংদা পাক চাওনা হিংশা থোকখি অমসুং মীওই ৪ শিখি।

বিহারদা বন্দ শৌগৎপশিংনা ত্রেনশিং চেনবা থিংখি। রেলৱে ট্রেকশিং নেম্লেল অমসুং ষ্টেট হায়ৱেশিং থিংজিনখি। প্রোটেষ্টরশিংবু মোকামাদা লম্বীদা তায়ারশিং মৈ থাখি। ষ্টেট অসিগী অয়াম্বা মফমদা মার্কেটশিং থোঙ লোনখি। কোতা, আজমেরদা দুকানশিং থোঙ লোনখি। অলৱারদসু প্রোটেষ্টশিং চথখি।

মহারাষ্ট্রগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা প্রোটেষ্টশিং অমসুং রেল্লিশিং পাক–চাওনা চথখি। থানেগী নভঘর এরিয়াদা মীয়ান্না থোক্লক্তুনা লম্বীশিংদা প্রোটেষ্ট তৌখি। উত্তর প্রদেশতসু বন্দগী শাফু লৈখি। ষ্টেট অসিগী কোনুং লক্ষনৌদা দুকানশিং থোঙ লোনখি।

# ইন্দিয়া, য়ু এস না সি ও এম সি এ এস এ সহি তৌনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ৬ ঃ***

ন্যু দিল্লিবু অমেরিকাগী য়ান্না মরু ওইরবা মিলিটরি ইক্যুপমেন্ট লৈবা য়াহল্লগদবা মতম শাংনদগী নেগোসিয়েট তৌনবা হোৎনরকখিবা সি ও এম সি এ এস এ দিফেন্স এগ্রিমেন্ট অদু ইন্দিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঙসি সহি তৌনখ্রে।



লৈবাক অনীগী মরক্তা অহানবা ২+২ দাইলোগ পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারামননা য়ু এস কী মখোয়গা ফম্মান্নবা সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও অমসুং দিফেন্স সেক্রেটরী জিম মেট্টিসকা কম্যুনিকেসন্স কম্পেটিবিলিটি এন্দ সেক্যুরিটি এগ্রিমেন্ট (সি ও এম সি এ এস এ) অদু সহি তৌনখি।

এগ্রিমেন্ট অসি তৌনখ্রবা মতুংদগীদি চিনাগী সবমেরিনশিংবু ইন্দিয়ানা খোঙ্গুল লীবা ঙমহল্লগদবা তোপ–সেক্রেট য়ু এস সিষ্টেম অদুসু ফংবা ঙমহল্লগনি।

য়ু এস ৱারসিফ নৎত্রগা এয়ারক্রাফ্ট অমনা চিনাগী ৱারসিফ নৎত্রগা সবমেরিন অমা দিটেক্ট তৌরবদি মতম অদুমক্তদা রিজন অদুদা ওপরেট তৌরিবা ইন্দিয়ান নেভিগী ৱারসিফশিং, সবমেরিনশিং অমসুং এয়ারক্রাফ্টনা য়ু এস নেভিদগী থারকপা এনক্রাইপতেদ দাটা খুত্থাংদা চিনাগী ৱারসিফ অমসুং সবমেরিনশিং লৈরে হায়বদু খুদক্তা খঙবা ঙমগনি।

ইন্দিয়াগী নেভিনা চিনাগী ভেসেলশিং অদুগী চপ চাবা ফিভমশিং অদু খঙবা ঙমবতা নত্তনা তার্গেট অদুগী লাইভ ভিডিও ফিট অমসু ফংবা ঙমগনি।

ইন্দিয়ান নেভি এসেটশিংদা পাল্লিবা রিসিভরশিং অদু অমেরিকাগী কম্বাইন্দ ইন্টরপ্রাইজ রিজনেল ইনফোর্মেসন এক্সচেঞ্জ সিষ্টেম নৎত্রগা অশম্বীদা সেন্ট্রিক্সকী শরুক অমা ওইগনি। সিষ্টেম অসি, ইন্দিয়াসু অমা ওইরিবা অমেরিকাগী খ্বাইগী নক্লবা মিলিটরি এলাইশিংগী মরক্তা সেক্যুর টেক্নিকেল কম্যুনিকেসনগী য়াংলেন শরূ অমনি।

এগ্রিমেন্ট অসি য়ু এস–ইন্দিয়াগগী মরীদা অখন্নবা মশক থোকপা অমনি হায়না মাইক পোম্পিওনা ফোঙদোকখি। মদুদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারামননসু য়ান্নরোল অসিনা ইন্দিয়াগী ঙাক–শেনগী তৌবা ঙম্বা শক্তি অমসুং থৌরাং তৌবগী ফিভম হেনগৎহল্লগনি হায়খি।

ইন্দিয়াদা লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা য়ু এস কী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা পাকিস্তানগী অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমসুং খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা আর্মি জেনরেলশিংগা ৱারী শান্ননবা ইস্লামাবাদতা চৎখি।

পাকিস্তানদা লৈবা নোংচুপকী মায়োক্তা অমসুং ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লৈবা টেরর গ্রুপশিংগী মতাংদা ৱাসিংতন অমসুং ন্যু দিল্লি অনীমক্না চপ মান্নবা নুংনাংবা পোক্লি। লৈবাক অনীমক অসিনা সি ও এম সি এ এস এ সহি তৌননবা মতম কুইনদগী খন্দুনা লাকপনি। হৌজিক্তি এগ্রিমেন্ট অসি সহি তৌনরবনা মসিনা হেন্না সেন্সিটিভ ওইবা য়ু এস মিলিটরি ইক্যুপমেন্ট ইন্দিয়াদা য়োন্নবগী লম্বী অদু হাংদোকখ্রে।

ইরানদগী থাউ লৈবসি চিনাগী হেক মথংদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী য়ান্না থাউ লৈবা লৈবাকনি। ন্যু দিল্লিদা ৱারী শান্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা সেনিয়ার য়ু এস, ষ্টেট দিপার্টমেন্ট ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপদা ইরানদগী ইন্দিয়ানা থাউ ইম্পোর্ট তৌবসি পুমলেপ লেপ্পবা ৱাসিংতনগী হায়জবা অদুগী মতাংদা ইন্দিয়াগা য়ান্না মরীক চুন্না ৱারী–ৱাতাই শান্নখ্রে হায়খি।

ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা ঐখোয়না ঐখোয়গী পার্টনর পুম্নমক্তা ইরানদগী থাউ ইম্পোর্ট তৌবা পুমলেপ লেপ্পবা হায়জদুনা লাক্লি অমসুং মরম অদুনা ৱাফম অসিমক ইন্দিয়াগা শান্নবা ঐখোয়গী ৱারীদা য়াওগনি হায়না মাইক পোম্পিওগা লোয়নরক্লিবা পাউমীশিংদা ওফিসিয়েল অদুনা ফোঙদোকখি।

# বেঙ্গলি এক্টর হোটেল কা মনুংদা থৌরী য়াল্লগা লৈরম্লে



***কোলকতা, সেপ্টেম্বর ৬ ঃ***

বেঙ্গলি টি ভি অমসুং ফিল্ম এক্টর পায়েল চক্রবোর্তি (৩৮) ঙরাং নুমিদাংৱাইরম সিলিগুরিদা লৈবা মাগী হোটেল কা মনুংদা থৌরী য়াল্লগা শিদুনা লৈরম্লে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাক হোটেল অদুদা লাক্তুনা লৈরকখিবনি অমসুং ঙরাং গেংতোক্তা চৎখিগদবনি। থোঙ লোনশিন্দুনা মতম কুইনা লৈখিবদগী হঞ্জিন–হঞ্জিন্না থোঙ থিনবদা পাউখুম পীরকখিদবদগী হোটেল ষ্টাফনা মাগী কা অদু থুগাইদুনা য়েংখি। মীশি অদু মতোমতা শিজবগী থৌদোক অমা ওইবা য়াই অদুগা অতৈ ওইথোকপা য়াবশিংসু য়েংশিল্লি হায়না সেনিয়ার সিলিগুরি পুলিস ওফিসার গৌরব লালনা ফোঙদোক্লি।

# ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সনা হ্যুমেন স্পেস মিসন ‘গঙ্গান্যান’ দা পূন্না থবক তৌমিন্নরগনি লাওথোকখ্রে

***বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ৬ ঃ***

ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পাঙথোক্কনি হায়না লাওথোকখিবা ইশ্রোগী অহানবা মী য়াওবা মিসন গঙ্গান্যানগীদমক ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সনা পূন্না থবক তৌমিন্ননবগী ৱার্কিং গ্রুপ অমা লাওথোকখ্রে।



বেঙ্গলুরু স্পেস এক্সপোগী তরুক শুবা থৌরমদা ফ্রান্সগী স্পেস এজেন্সি প্রসিদেন্ট জিং–য়িভেস লে গালনা ৱাফম অদু লাওথোকখিবনি।

ইন্দিয়ানা ২০২২ গী মমাঙদা স্পেসতা মী ৩ থানবা থৌরাং তৌরি। থৌরাং অসিনা রসিয়া, য়ু এস অমসুং চিনাগী মথংদা মী য়াওবা স্পেস ফ্লাইট অমা থাগৎপদা মালেমগী লৈবাক ৪ গী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমা ওইহল্লগদবনা ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসনগী মিসন অসি য়ান্না শীংথানিংঙাই ওইবা অমনি।

ইশ্রো অমসুং ফ্রেঞ্চ স্পেস এজেন্সি –সি এন ই এস নাস্পেস মেদিসিন, এষ্ট্রোনোট হেল্থ মোনিতরি, লাইফ সপ্পোর্ট, রেসিয়েসন প্রোটেক্সন, স্পেস দেব্রিস প্রোটেক্সন অমসুং পার্সোনেল হায়জিন সিষ্টেমসকী হীরমশিংদা মখোয়গী হৈ–শিংবশিং অদু পুনশিন্নগনি হায়না মিষ্টর গালনা হায়খি।

ইঞ্জিনিয়ারিং টিমশিংনা খন্ন–নৈনবগী থবক হান্নমা হৌখ্রে অমসুং সি এ দি এম ও এস সেন্টর ফোর দিভলপমেন্ট ওফ মাইক্রোগ্রেভিটি এপ্লিকেসন্স এন্দ স্পেস ওপরেসন্স নৎত্রগা এম ই দি ই এস স্পেস ক্লিনিককুম্বা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতুংগী ইন্দিয়ান এষ্ট্রোনোটশিংগী ত্রেনিংদা শীজিন্নগনি লোয়ননা স্পেসিয়েলিষ্ট পার্সোনেল এক্সচেঞ্জ তৌনগনি হায়না মিষ্টর গালনা হায়খি।

ইশ্রোনা মসিগী এষ্ট্রোনোটশিংগী খুত্থাংদা মাইক্রোগ্রেভিটিগী মতাংদা চাংয়েংশিং পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

ফ্রেঞ্চ–ইন্দিয়ান স্পেস কোওপরেসন অসি মতূংগীদমক লোঞ্চ ভেহিকলশিং পুথোক্লবগী থবক তৌগদবা জোইন্ট টেক্নিকেল গ্রুপ অমগী খুত্থাংদা রিছার্স এন্দ ওপরেস্নেল এপ্লিকেসন্স, ইনোভেসনদা পূক্নীং চঙশিনগদবা জোইন্ট সেটিলাইটশিংগী ফ্লীট অমগা লোয়ননা ক্লাইমেট মোনিতরিংগী হীরমশিংদসু থবক তৌগনি।

অনী অসিনা মার্স, ভেনস অমসুং এষ্টেরোইদসগী মতাংদা থবক তৌনবসু থৌরাং তৌখ্রে।

থোমাস পেসক্বেটকী প্রোক্সিমা মিসনণা অহানবা ফ্রেঞ্চ হ্যুমেন স্পেস ফ্লাইটশিংদগী ফংলকপা এক্সপরিয়েন্স অদু ইশ্রোগা খঙমীন্নদুনা থবক অসি তৌমিন্নগদৌরিবা অসিদা সি এন ই এস না চাওথোকচৈ হায়না মিষ্টর গালনা হায়খি।

# কেমিকেল ৱিপনশিং শীজিন্নরকপা তারবদি সিরিয়া এটেককী থৌরাং তৌরে ঃ *ফ্রেঞ্চ আর্মি চীফ*

***পেরিস, সেপ্টেম্বর ৬ ঃ***

ফ্রান্সকী মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসিয়েলনা সিরিয়াগী অৱাং থংবা ইদলিব প্রোভিন্স অমুক হন্না লৌশিন্নবা চথরকপা য়ারিবা গভর্ণমেন্ট এটেক অমদা করিগুম্বা কেমিকেল ৱিপনশিং শীজিন্নরকপা তারবদি সিরিয়ান তার্গেটশিংদা এটেকশিং তৌনবগীদমক মহাক্কী ফোর্সশিংনা থৌরাং তৌরে হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



রিবেলশিংগী মখূৎতা অকোনবা ওইনা লৈহৌরিবা অচৌবা লমদম অসিগী মথক্তা মপূং ফাবা লাল অমা চথনবগী মাঙজৌনবা অমা ওইরম্বা য়াবগী ফিভমদা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা সিরিয়ান ফোর্সশিংনা চয়োল কয়া বোম থাদদুনা সেল কাপশিন্দুনা এটেক তৌরকখ্রবগী তুংদা প্রসিদেন্ট বাশর অল–অসাদকী খোঙলোই অমা ওইরিবা রসিয়ানা ইদলিবতা লালহৌবশিংগী মথক্তা নোংথক্তগী এটেকশিং চথবা অমুক হৌখি।

করিগুম্বা কেমিকেল ৱিপনশিং অমুক হন্না শীজিন্নরকপা তারবদি ঐখোয়না এটেক তৌনবা থৌরাং তৌরে। এটেকশিং অদু নেস্নেল লেভেলদা তৌবা য়াই অদুবু ওইথোক্লবদি ঐখোয়গী খুদোংচাদবদু য়েংলগা অতোপ্পা খোঙবুশিংগা চথরকপা য়াই হায়না ফ্রান্সকী আর্ম ফোর্সেস চীফ ফ্রানকোইস লেকোন্ট্রেনা পাউমী কাঙবু অমদা ফোঙদোকখি।

পোইজন গ্যাস এটেক ওইগনি চিংনবা অমগীদমক পাউখুম পীবা ওইনা ফ্রান্স, য়ুনাইটে ষ্টেট অমসুং বৃটেননা এপ্রিল থাদা সিরিয়া গভর্ণমেন্টপু শৌগৎপা ফোর্সশিংগী তার্গেটশিংদা মিসাইল ১০০ হেনবনা এটেক তৌখি।

রিবেলনা পায়রিবা ইদলিব প্রোভিন্সকী মথক্তা সিরিয়া প্রসিদেন্ট বাশর অল–অসাদকী গভর্ণমেন্টনা চথরকপা য়ারিবা এটেক অসিনা ইন্টর্নেস্নেলগী তেংবাঙ পীবা এজেন্সিশিংবু মীপাইনহনখ্রে।

রিবেলনা পায়রিবা লমদমশিং অসিদা লৈরিবা মীওই লাক্ষ ৩০ রোমগী তঙ্খাই অমরোম হান্ননা ময়ূম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে। হৌজিক মফম অদুদাজিহাদিষ্ট ১০,০০০ রোম লৈরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়রি।

নভেম্বর থাগী লোরকপা ফাওবগী মনুংদা সিরিয়ানসু ইরাক্তা লৈরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী অরোইবা মফমশিং অদু মায়থিবা পীবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না থাজে হায়না ফ্রান্সকী মকোক থোংবা মিলিটরি চীফ অসিনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক সিরিয়াদা রিবেলনা পায়রিবা ইদলিব প্রোভিন্সকী মরাইবক করি থোক্কদগে হায়বসি রসিয়া, তর্কি অমসুং ইরানগী লুচিংবশিংগী মরক্তা তেহরানদা হয়েং ইরাই নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অমগী মখা পোন্না লৈ। হায়রিবা মীফম অদুদা রসিয়াগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর সেরগৈ রয়াবকোবনা ফিভম অদু হেন্না ময়েক শেংহল্লগনি থাজরি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং মসিগী খোঙবু লৈবাকশিংনা ইদলিবতা পাক্তক্লনা মীশি–মীনা থোকপা য়াবগী ৱার্নিং তৌরদুনা করিগুম্বা মখোয়না কেমিকেল ৱিপনশিং শীজিন্ননবা হোৎনরক্লবা মতম খক্তদা খূৎ থিংজিনগনি হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি।

ফ্রেঞ্চ মিলিটরি লীখুন অমনা ফোঙদোকপদা চহী অসিগী লোইশিল্লকপা ফাওবগী মনুংদা রসিয়া অমসুং মাগী খোঙবু লৈবাকশিংনা ইদলিবকী এটেক অদু লোইশিনবা পাম্মী হায়বগী ঈঙ্গিৎশিং লৈ হায়খি।

সিরিয়াদা ইরানগী শাফু হেঞ্জিনহল্লক্তনবা থিংবা অদু ৱাসিংতননা পাম্লবদি সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা করদিশনা কন্ত্রোল তৌরিবা লদমশিংদা য়ু এস মিলিটরি লেংদনা থমগদবনি হায়বসিদা পেরিসনা থাজবা থল্লি হায়না ফ্রান্স মিলিটরিগী লীখুন অদুনা হায়রি।

# য়েমেনগী রিবেল মিসাইল কাপথখ্রে ঃ *সাউদি আরাবিয়া*



***সানা, সেপ্টেম্বর ৬ ঃ***

সাউদি আরাবিয়ানা য়েমেনগী হৌথি রিবেলশিংনা ঙমখৈ লান্না কাপশিল্লকখিবা মিসাইল অমা কাপথখ্রে। মিসাইল অদু কাপথবদা মদুগী পাইথোরকপা মচেৎশিংনা মীচম ২৬ লোমসু শোকখ্রে হায়রি।

ওফিসিয়েল সাউদি প্রেস এজেন্সিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ফোঙদোকপদা ঙরাং য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবদা খা থংবা নজরান প্রোভিন্সতা রিবেলশিং অদুনা মিসাইল অদু কাপশিল্লকখিবনি হায়খি।

মিসাইল অদুনা সাউদি মিলিটরিগী কেম্প অমা পান্দম থমখি অমসুং মদু মফম চপ চানা পানখি হায়না হৌথি রিবেলশিংনা চল্লাইবা অল–মসিরাহ টি ভি না হায়খি।

সাউদি আরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন অসি কুমজা ২০১৫ গী মার্চ থাদগী হৌনা ইরানগা খূৎশন্নবা রিবেলশিং অসিগা লাল অমা মায়োক্নদুনা লাক্লি।

লাল অসিদা সাউদি লুচিংবা কোলিসননা নোংথক্তগী য়েমেনগী স্কুলশিং, হোস্পিটালশিং অমসুং লুহোংবগী থৌরমশিংদা এটেকশিং চথখি অমসুং য়েমেন মীচম লীশিং কয়া হাৎখি।

হৌথি রিবেলশিং অদুনা সাউদি আরাবিয়া রোমদা অশাংবা রেঞ্জগী মিসাইলশিং কাপশিল্লকখি অমসুং রেদ সি দা লৈবা জহাজশিংদা তার্গেট তৌরকখি।

য়েমেনগী লাল অসিদা হৌজিক ফাওবদা চাওরাক্না মীওই ১০,০০০ শিখ্রে। মসি মালেমগী খ্বাইদগী শাথিবা হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিসনি হায়না ফাওবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোক্লিবনি।

# পাকিস্তাননা মালেমগী ৫শুবা খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়ার ৱিপন্স ষ্টেট ওইরকপা ঙম্লগনি ঃ রিপোর্ট

***ৱাসিংতন, সেপ্টেম্বর ৬ ঃ***

পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিংগী ফিভমগী মতাংদা য়েংলিবা ওথরশিংনা পীবা খ্বাইদগী নৌবা রেকোর্দ অমগী মতূং ইন্না লৈবাক অসিনা হৌজিক হৌজিক ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ ১৪০ দগী ১৫০ ফাওবা লৈ অমসুং করিগুম্বা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পুথোকপগী খোঙচৎ অসি মখা চথরবদি কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইগী পুক্কে অসি ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা ২২০ দগী ২৫০ ফাওবা য়ৌরকপা য়াই হায়রি।



হৌজিক পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই ১৪০ দগী ১৫০ ফাওবা লৈ হায়না পারিবা মশীং অসি কুমজা ১৯৯৯ দা য়ু এস দিফেন্স ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিনা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা পাকিস্তাননা ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ ৬০ দগী ৮০ ফাওবা লৈগনি হায়না পাখিবা মশীং অদুদগী হেল্লবনি।

করিগুম্বা হৌজিক চথরিবা খোঙচৎ অসি মখা তারবদি কুমজা ২০২০ ফাওবদা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইগী পুক্কে অসি ২২০ দগী ২৫০ ফাওবগী মনুংদা হেনগৎলকপা য়াই হায়না ঐখোয়না পারি।

করিগুম্বা মসিমক থোক্লবদি মসিনা পাকিস্তানবু মালেমগী মঙাশুবা খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই লৈবা লৈবাক ওইহল্লগনি হায়না ‘পাকিস্তানি ন্যুক্লিয়ার ফোর্সেস ২০১৮’ কৌবা রিপোর্ট অসিদা হান্স এম কৃষ্টেন্সেন, রোবার্ট এস নোরিস অমসুং জুরিয়া দাইমন্দনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী লিদ ওথর ওইরিবা কৃষ্টেন্সেন, ৱাসিংতন দি সি দা লৈবা ফেদরেসন ওফ অমেরিকান সাইন্টিষ্টস (এফ এ এস) কী ন্যুক্লিয়ার ইনফোর্মেসন প্রোজেক্টকী দাইরেক্তরনি।

হৌখিবা চহী ১০ দা পাকিস্তানদা ন্যুক্লিয়ার ৱিপন্স সেক্যুরিটিগী মতাংদা তৌবা য়ু এস কী এসেসমেন্ট হান্না থাজরম্বদগী নুংনাংবা ওইনা শাথিবা অহোংবা লাকখ্রে। মসি মরু ওইনা টেক্নিকেল ন্যুক্লিয়ার ৱিপনশিং হাপচিল্লকখিবগী ফল অমদগীনি হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়খি।

দিলিবরি সিষ্টেম কয়ামরুম পুথোকপগা লোয়ননা পাকিস্তানগী প্লুতোনিয়ম প্রদক্সন রিয়েক্তর ৪, য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট ফেসিলিটিশিং পাকথোক–চাওথোকহল্লকখ্রে। অসুন্না মথং চহী ১০ গী মতমদা পাকিস্তাননা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইগী পুক্কে অমুক্কা হেন্না মশীং য়ামখৎহল্লকপা য়ারি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই হেনগৎলকপগী চাং অসি মরম কয়ামুক্কী মখা পোনগনি। মরু ওইবা মরম অনীদি দিপ্লোই তৌনবা থৌরাং তৌরিবা ন্যুক্লিয়ার কেপেবল লোঞ্চর কয়ানো অমসুং ইন্দিয়াগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইগী পুক্কে কয়া য়ান্না য়ামখ্রবগে হায়বসিনি হায়রি।


## লেন্না Horoscope য়েংজরি

হৌখিবা চহী কয়াদগী চথরকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা সেপ্টেম্বর ১ দগী দিসেম্বর ১ ফাওবা লৈখিদ্রবা ইপা ইপুশিংদা কৎচবা ওইনা Dinamani Astrological Centre না হৌদোকখিবগী ২৩ রক শুবা কুমওনগী থৌরম ওইনা মফম অসিদা Horoscope অমুক্তা য়েংখিদ্রিবশিংগী হীরম অমা লেন্না য়েংবা হৌজরে থৱায় য়াওবিবশিংনা খুদোংচাবা অসি লৌবীয়ু।

অয়ূক্কী লিক্লা অপোক্লোম্বা
Koirou Thongju Part-II
#+919191733333

SL/3968/20 Days


**সনা–সুদোকু –১২৮৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 8 | 9 | 6 | 7 | 3 | 1 | 4 |
| 9 | 4 | 6 | 8 | 1 | 3 | 7 | 5 | 2 |
| 1 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 4 | 2 | 8 | 9 |
| 8 | 3 | 1 | 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 |
| 4 | 2 | 9 | 6 | 8 | 5 | 1 | 7 | 3 |
| 6 | 9 | 4 | 3 | 7 | 8 | 5 | 2 | 1 |
| 5 | 1 | 2 | 4 | 9 | 6 | 8 | 3 | 7 |
| 3 | 8 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1284**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 9 | | | |
| 1 | 5 | | | 3 | | 7 | | 4 |
| | 9 | | 1 | | 8 | | | |
| 9 | | | | | | | | 5 |
| | | 5 | | 1 | 3 | | | 7 |
| 8 | | 6 | | | | | | |
| 4 | 2 | 3 | | | | | 8 | |
| | 1 | 7 | | 5 | | | | |
| 5 | | | | | | 1 | | |